**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 7.06.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ৭-০৬-২০২৪,ইরাই)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভনুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) শ্রী নরেন্দ্র মোদি অহুম রক শুবা টার্মগী ওইনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱাশক লৌরগনি।

২) জিরিবাম জিলাদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা মওংদা ঙাকশেলগী থবকপায়খৎলি।

৩) থৌবাল জিলাগী মোইজিংদা হৌখিবা অহিংদা দুকান অহুম মৈনা তুমা চাকখ্রে হায়রি।

৪) বেঙ্গলুরুগী ৪২ শুবা এ.সি.এম.এম কোর্টনা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু ঙসি বেল পীখ্রে।

**অমসুং**

৫) নিট পারিক্ষাদা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা থীজিন্নবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ত মালিক অরজন্ খরগেনা দাবি তৌরি ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**মোদি ঃ** এন.দি.এ পার্লিয়ামেন্তরি দলনা নরেন্দ্র মোদিবু দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইনা ঙসি খনখ্রে অমসুং লাক্কদৌরিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অহুম রক শুবা টার্মগী ওইনা লৈবাক অসিগা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা এন.দি.এগী পার্লিয়ামেন্তরি মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা হায়- এন.দি.এ দল অসি শক্তি খকপু মীহৌবা দল অমা নত্তে। দল অসি ৱাখল মান্নবা মীওই কয়া পুশিন্দুনা ভারতপু চাউখৎনবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং কয়া লৌরি । শ্রী মোদিনা হায়- সরকার অসিনা মখা তানা অফবা লৈঙাক অমগী মগুন ঙাকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক কয়া লেপ্তুনা তৌখিগনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা রাজনাথ সিংহনা নরেন্দ্র মোদিবু দল অসিগী মকোক ওইনা খন্নবগী ৱাফম পুথোকখি অমসুং ৱাফম অদু এন.দি.এ মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা অয়াবা পীখিবনি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা হায়- শ্রী নরেন্দ্র মোদি অসি এন.দি.এ দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইবদা মতিক চাই । ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়- নরেন্দ্র মোদিনা দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইবা হায়বসি দল অসিগী খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়াম পুমমক্কীসু অপাম্বনি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকরিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা চহিশিংদা ভারতপু শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা অমদি চাউখৎ হন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি । বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং জে.দি.য়ুগী লুচিংবসু ওইরিবা নিতিস কুমারনা শ্রী মোদিবু শৌগৎলদুনা হায়- মহাক্কী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মখা তানা পায়খৎকখিগনি হায়বগী থাজৈ ।

নরেন্দ্র মোদিনা অহুম রক শুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইনা খল্লকপদা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। শ্রী বিরেননা হায়- শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা এন.দি.এ সরকার অসিনা লৈবাক অসিবু বিক্সিট ভারত ওইহন্ননবা মখা তানা খোংজং চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী শোরোক অতিংবি খুনৌদগী মশক খঙদবশিংনা মীওই খরনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা ঙরাং হাৎতোকপীরল্লবা সোইবম সরটকুমার সিংহগী মীহুৎপু জিরিবাম মীয়ামা পেন্দবা ফোংদোকরক্লি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমা ঙাথেম বিস্বাজিৎনা হায়- মীহাৎ অসিগী মতাংদা জে.এ.সি অমা শেমদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কস্মীস্নরগী খুত্থাংদা মুখ্য মন্ত্রিদা থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকবা তকশিনখি। নাকল অমরোমদা জিলা অসিগী মফম খরদা খুন্দবা মরুওইনা মোংবুং অমসুং বরাগ সরকলগী লমতাই খুনৌশিংনা মফমশিংগী নুপী অমদি অঙাংশিং শাফগদবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিনা হোন্দোকপা হৌখ্রে । অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী মায়কৈদগী মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগী অকনবা মওংদা ঙাকশেলগী থবক পায়খৎলি।

সরটকুমারগী মীহাৎ অদুবু অপুনবা ইমাগী মচাশিং, মনিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**বোম(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ সোইবম লৈকায়দা লৈবা দাইবেতিক্স হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স সেন্তরদা ঙসি অয়ুক পুং ৬ মখায়রোম তাবদা মশক খঙদবা মীওই অনি লাক্লগা বোম থমজিল্লম্লে হায়রি। থৌদো অসিগী পাউ হেক ফংবগা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখি অমসুং থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

**ইদুকেসন (এল)ঃ** ক্লাস ফাইব অমসুং ঐইথকী ষ্টেট কম্পীতিতিব স্কোল্লরসিপ একজামিনেসন ২০২৩- ২০২৪ গী ফল লাউথোক্লে। খনগৎলবা মহৈরোইশিংনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্তর ওফ ইদুকেসন (এস)কী সাইন্স য়ুনিটতা লাক্তুনা মশা মশাগী অকাউন নম্বরশিং অমদি মরী লৈনবা চে চাংশিং থা অসিগী ১২ দগীনা ২১ ফাওবদা পীশিনগদবনি হায়রি।

স্কোল্লরসিপ অসিগী মখাদা ক্লাস ফাইবকী ওইনা খল্লবা মহৈরোই অমমমদা থা অমদা লুপা ৪০০ চহি ৩ পীগনি। অমদি ক্লাস ঐইথকী ওইনা থা অমদি ৬৫০ -৬৫০ চহি ২ পীগনি।

**এ.আর(এল)ঃ** কাংপোকপী জিগলাগী মনুং চনবা ভৈতুম খুলেন্দা অসাম রাইফলসনা ঙসি মোবাইল ইলেক্ত্রিকসিতি পোইন্ত অমা হাংদোকখ্রে। খুল অসিদা হান্নদগী হৌনা নোং কন্না তাবনা মরম ওইদুনা মৈ ফংদবগী অৱাবা মায়োকদুনা লাক্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা খুঞ্জাশিংনা নোংমদা মৈগী চেংদ্রবা য়াদ্রবা থবক কয়া পাঙথোকপদা অপনবা ওইবদগী অসাম রাইফলসতা মৈ পীবিনবা হায়জদুনা লাকখিবনি। থৌওং অসিবু খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোংদোকখি।

**মৈ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মোইজিং খোংকোক্তা হৌখিবা অহিং দুকান অহুম মৈনা তুমা চাকখ্রে। থৌদোক অদুদা মোবাইল শেমফম দুকান অমা, ফারমাসি অমা অমসুং গোরসরি দুকান অমনি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইনা হায়- মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা পুন্না লুপা লাখ ৫০ রোমগী মালচাং মাংতাক্লমগনি হায়না পান্নরি । লোয়ননা অসিগুম্বা চাউনা অমাং অতা থোকখিবা থৌদোক অসিদা অৱা অনা তারবা মীওইশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীবিনবসু দুকান মপুশিংনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**ভেতিরিনরি(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম অমা ওইরিবা মোবাইল ভেতিরিনরি য়ুনিটস (এম.ভি.য়ু)কী মখাদা তোঙান তোঙানবা ফমশিংগীদমক্তা খল্লবা মীওইশিংনা শঞ্জেংথোংদা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ ভেতিরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি মনিপুরগী ওফিসতা থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩ দা লাক্তুনা মরী লৈনবা চে চাংশিং লৌরনবা মনিপুর লাইবস্কোক দিভলপমেন্ত বোর্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

--পাউগী মরক্তা থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**মৈ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মোইজিং খোংকোক্তা হৌখিবা অহিং দুকান অহুম মৈনা তুমা চাকখ্রে। থৌদোক অদুদা মোবাইল শেমফম দুকান অমা, ফারমাসি অমা অমসুং গোরসরি দুকান অমনি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইনা হায়- মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা পুন্না লুপা লাখ ৫০ রোমগী মালচাং মাংতাক্লমগনি হায়না পান্নরি । লোয়ননা অসিগুম্বা চাউনা অমাং অতা থোকখিবা থৌদোক অসিদা অৱা অনা তারবা মীওইশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীবিনবসু দুকান মপুশিংনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা খোংজোম সাপমদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা জেনিকা সাপমগী মীহাৎপু প্রাইভেট স্কুলস দেভলপমেন্ত কাউন্সিল পি.এস.দি.সি থৌবালনা অকনবা মওংদা য়ানিংবা ফোংদোরক্লি। থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ফ্রেনিসয়র হায়র সেকেন্দ্ররি স্কুলদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা পি.এস.দি.সিগী সেক্রেটরি জেনরেল জোতিন সালমা হায়- থৌদোক অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অমদি হায়রিবা থৌদোক অসি য়ুনিফোর্ম চেৎলিবা ছাত্রা নুপীমচা অমখক্তাদা চথবা থৌওং নত্তে, মনিপুর খুন্নাইগী মহৈরোইশিংদা শিংনবনি হায়না লৌগনি।

মীহাৎ অসিবু ফেদরেল ষ্টুদেন্স ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফিসোক) নসু অকনবা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি। মখা তানা মীহাৎ অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা তাল্লিবা দাবীশিং সরকারনা অথুবা মতমদা ফংহনবিনবা আপিল তৌরক্লি।

**অমুকো(এল)ঃ** ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামদা ওল মনিপুর য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন(অমুকো)না পারিংনাইনা চত্থরকপা মতেং পাংবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লাইফম খুনৌ মমাং লৈকায় লৈতোং শঙলেন্দগী রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীয়ামদা নোংমদা তঙাইফদবা ইমুংগী শিজিন্ননবা অফবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে। ঈচিং য়েন্থোকপ্পা অদু অমুকোগী সেক্রেটরি জেনরেল প্রতাপ লৈশাংথেমা লুচিংদুনা পাঙথোকখি।

**কন্দোলেন্স(এল)ঃ** নেসনেল ফুটবোল্লর পোৎশঙবম লোকেন্দ্রো সিংহনা ঙরাং মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। এসোসিয়েসন অসিনা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি ।

**কাং (এল)ঃ** ২৪ শুবা অরাম্বম সমারন্দ্রা নিংশিং কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ ওপন কাং টুরনামেন্তকী ফাইনেলদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগা নম্বোল কেন্দ্রগা থা অসিগী ১০ থেংনরগনি। ঙসি ৱাবগাই অৱাং লৈকায় কম্যুনিতি হোল কাংশঙদা শান্নখিবা অনি শুবা সেমি ফাইনেল মেটতা নম্বোল কেন্দ্র কাংখুৎনা মরাম্বা হিয়াংলম কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৮-১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

**ফুটবোল(এল) ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চত্থরিবা অহানবা চহি ১৫ মখাগী ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল সোকর টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রুট এফ.এ - লংথাবাল মন্ত্রিখোং অমদি ৱাই.য়ু.সি- ৱাইখোম লৈকায় পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচতা বি.এফ.সি টিম- বি-কোংবনা ওল্ড এফ.সি -উরিপোক সোরবোন থীংঙেলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। লোয়ননা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব - পোরোম্পাৎনা নোংপোক মহৈকোল - ব্রহ্মাপুর অরিবম লৈকায়বু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

রোমেন এফ.সি - ওইনাম থিংঙেলনা এস.সি ঐচ.এস - শিংজমৈ চীংঙামখা হায়স্কলবু পাঞ্জল ১-০ দা মাইথিবা পীখি।

**গেমসঃ** অৱাং-পোৎশঙবম গ্রাউন্দ চথরিবা অহানবা অৱাং কৌব্রুউ ত্রোফি ওপন ফুটবোল টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংনা জেদ. প্রো এফ.সিনা আই.দি. একাদমি শঞ্জেম্বমবু পাঞ্জল ৪-১, ৱাই.দি.সি এ পোৎশঙবম খুনৌনা বি.সি পোৎশঙবম খুলেনবু পাঞ্জল ৪-২ দা অমসুং এ.দব্লিউ.এস.সি ৱাবগাইনা মাজিং এফ.সি হৈঙাংবু পাঞ্জল ৪-১ থোইখ্রে।

**--পাউগী মরক্তা থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--**

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**রাহুল ঃ** বেঙ্গলুরুগী ৪২ শুবা এ.সি.এম.এম কোর্টনা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু ঙসি বেল পীখ্রে। রাহুল গান্ধি ঙসি কোর্ট অসিদা সম্মন পীরবা মতুং বেল পীখিবনি অমসুং কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং থা অসিগী ৩০ দা ওইরগনি। পনবা য়াই, বি.জে.পিগী লেজিস্লেতিবভী কাউন্সিলগী মেম্বর বি.এস.কেসব প্রসাদনা কংগ্রেসকী লুচিংবা অসিবু হন্দক পাঙথোকখিবা করনাতক্কাগী লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা বি.জে.পিগী ইজৎ শোকপা য়াবা ৱাফম কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলি হায়বগী মতাংদা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখিবনি।

বেল পীখিবা অদুদা করনাতক্কাগী মুখ্য মন্ত্রি সিদারামায়া , উপ মুখ্য মন্ত্রি অমসুং করনাতক্কাগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ত দি.কে সিবকুমারসু য়াওখি ।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - মহাক্কী পুন্সিগী তাঙ্কক খুদিংমক্তা ডা: বাবা সাহেব অমবেদকরনা পুথোক্লকম্বা মমল য়াম্লবা ভারতকী সংবিধানবু মহাকা ইকায় খুমৈ। সোসিয়েল মেদিয়াদা ঙসি থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী সংবিধান অসিনা মহাক্কুম্বা লায়রবা ইমুং অমদা পোকপা মীওই অমমবু মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙমহল্লিবনি। মহাকা হায়-ভারতকী সংবিধান অসিনা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি কয়াগী অশা অমদি থৌনা হাপ্লিবনি।

**নিটঃ** নিট পারিক্ষাদা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা থীজিন্নবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ত মালিক অরজ্ন খরগেনা দাবি তৌরি । সোসিয়েল মেদিয়াদা ঙসি থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খারগেনা হায়- কেস অসি সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা অৱাংবা থক্তা থিজিনগদবনি। পারিক্ষা অসিদা পেপর লিগ ওহবা য়াওনা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থৌওং কয়া চথখি হায়না শ্রী খারগেনা মরাল শিরি।

পারিক্ষা অসিদা চয়েৎনবা কয়া থোক্লিবা দায়ত্যা সরকারনা পুগদবনি হায়না মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেত্রিওলোজিকেল দিপার্টমেন্তনা হায়রি -ভারতকী নোংপোক থংবা শরুক, উত্তর প্রদেশ, ঝরখন্দ, বিহার, ওরিষা,পঞ্জাব , হারিয়ানা অমসুং মধ্যা প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা কা হেন্না শাগনি হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ভারতকী মফমশিং অসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দ্রিগ্রি অনিদগীনা অহুম ফাওবদা হেনগৎকনি।

নাকল অমরোমদা, মহারাস্ত্রা অমসুং অৱাং থংবা করনাতক্কাদা লাক্লিবা নুমিৎ ৫ অনি অসিদা কনবদগীনা য়ামা কনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি হায়রি । নোংচুপ বঙ্গালগী মফক খরা- সিকিম, অসাম, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং নাগালোন্দগী মফম কয়াদসু নোং তাগনি হায়রি।

**বেঙ্গোলঃ** নোংচুপ বেঙ্গলদা মীখলগী মতুংদা থোরকখিবা হিংশাশিং লেপহন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা কলকাতা হাই কোর্টনা হায়রি। জষ্টিস-কৌসিব চন্দা অমসুং অপুরভা সিনহা রাইগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা রাজ্য অদুদা মীখল মতুংদা মীওই ১১ শিখ্রবা মতুং উকিলশিংগী এসোসিয়েসন অমনা থারকপা পি.আই.এলগী ৱারোল তারবা মতুংদা রাই অদু পীখিবনি।

**ক্রিকেট ঃ** আই.সি.সি. মেন্স ত্বেন্তি ত্বেন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা নিউ য়োর্কতা কানাডাগা আহয়রলেন্দগা শান্নরগনি। টুরনামেন্ত অসি য়ু.এস.এ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা পুন্না য়ুন্নবু ওইরি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুন্নবু য়ু.এস.এনা পাকিস্তানবু সুপর ওভরদা মায়থিবা পীখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)  শ্রী নরেন্দ্র মোদি অহুম রক শুবা টার্মগী ওইনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱাশক লৌরগনি।

২)  জিরিবাম জিলাদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা মওংদা ঙাকশেলগী থবকপায়খৎলি।

৩)  থৌবাল জিলাগী মোইজিংদা হৌখিবা অহিংদা দুকান অহুম মৈনা তুমা চাকখ্রে হায়রি।

৪)  বেঙ্গলুরুগী ৪২ শুবা এ.সি.এম.এম কোর্টনা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু ঙসি বেল পীখ্রে।

**অমসুং**

৫)  নিট পারিক্ষাদা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা থীজিন্নবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ত মালিক অরজ্ন খরগেনা দাবি তৌরি ।

**--- পাউ লোইজরে---**